**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-07-2026)**

**কেবিনেট (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটকী পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দ দাস কোন্থৌজম, আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন অমদি চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়ল য়াওনা অতৈ ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি। মীফম অদুনা রাজ্য অসিদা লৈঙাক সাসন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, চাউখৎ থৌরাংগী থবক নীংথিনা পায়খৎনবা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

ঙসিগী মীফম অদুনা হৌজিক লৈরিবা ফয়ার সেফতিগা মরী লৈনবা থবকশিং ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি মীয়ামনা ফয়ার সার্ভিসকী থবকশিং অরাইবা মওংদা ফংহন্নবা মনিপুর ফয়ার এন্দ ইমর্জেন্সি সার্ভিস ওদিনান্স-২০২৬ চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌখি। সিটি ইনভেষ্টমেন্ট টু ইনোভেট ইন্টিগ্রেট এন্দ সসটেন (সিটিস) প্রোগ্রামগী মখাদা ষ্টেট ক্লাইমেট সেন্টর অমা লিংখৎনবসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা য়ুনিফাইদ জোনিং য়ুথস রেগুলেসন বাই লোজ ফোর মাস্তর প্লান এরিয়ারস ওফ মনিপুর ২০২৬ কী মখাদা ইজ ওফ দুয়িং বিজিনেসগী বাই লোশিং শেমদোকনবা ৱারেপসু লৌখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** তামিল সঙ্গম, গোরখা সেনা অমসুং মনিপুরি মুস্লিম কাউন্সিল-মোরেগী মীহুৎশিংগা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মোরেদা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দ অমা পীশিনখ্রে।

মদুগী মমাংদা, ত্রিপল আই.টি. সেনাপতিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার কৃষ্ণন ভাস্কর অমদি মনিপুর পুলিস হাউজিং কোরপোরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং

দাইরেক্তর-কাইলুন লুফেংগা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা ইম্ফালগী লোক ভাবনদা উন্নখ্রে।

**সিসিপুর(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা জিলা অসিদা হৌজিক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা জিলা থাক্কী ওফিসিএলশিং য়াওবা মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মরক্তা নীংথিনা পাউ ফাওনদুনা অমদি মতেং পাংনদুনা থবক তৌমীন্ননবা অমদি পুকচেল শেংনা অমদি দায়ত্ব লৈনা মীয়ামগী থবক তৌননবা খঙহনখি।

টি.বি. লায়না মপুং ফানা মুথৎননবা টি.বি. মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা হৌজিক পায়খৎলিবা নিকসৈ মিত্রগী কেম্পেইন অসিদা ওফিসিএলশিংনা নীংথিনা শরুক য়ানবসু মহাকা খঙহনখি।

**ৱাঙাংলোই(এল)ঃ** এম.এল.এশিং-থোকচোম রাধেশ্যাম অমসুং ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ অনিবু মনিপুর সরকারগী ৱাঙাংলোই ওইনা ঙসি হাপখ্রে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা হীরম অসিগী মতাংদা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**মিট(এল)ঃ** ৱার্ক্স বিভাগকী এদিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ারসু ওইরিবা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-সি.ঐচ. উতমনা হায়রি-রাজ্য অসিদা মীয়ামগী লম্বী চৎথোক চৎশিন অমদি শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা ৱার্ক্স বিভাগনা লম্বী থোং শেম্বা অমদি অতৈ চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অকনবা মওংদা পায়খৎলি।

রাজ্যগী ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স বিভাগনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রী ডতমনা হায়-রাজ্য অসিদা পুন্না কিলোমিটর লিশিং তরারোম শাংবা লম্বী, থোং ১০০ রোম শেমজিন শাজিনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিল্ডিংশিং শেমগৎ শাগৎপগী দায়ত্ব বিভাগ অসিনা লৌরি। সেন্ত্রেল রোড এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দ (সি.আর.আই.এফ), রুরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট ফন্দ, স্কিম ফোর স্পিসিএল এসিষ্টেন্ট টু ষ্টেট ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট (সাসি), দোন্নর, ই.এ.পি. য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা বিভাগ অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম পায়খৎলি। সি.আর.আই.এফকী মখাদা শেনবা চহি ২০২০-২১ দা সেঙ্কসন তৌরকখিবা লম্বী শেম্বগী থবক মপুং ফানা লোয়শিনখ্রে। শেনবা চহি ২০২৩-২৪ অমসুং ২০২৪-২৫ দা সেঙ্কসন তৌরকখিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হৌজিক খুমাং য়াংনা থবক পায়খৎলি।

মহাকা মখা তানা হায়-সাসি স্কিমগী মখাদা রাজ্য অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ১১ দা পুন্না কিলোমিটর ১০০ রোমগী লম্বী রিজিদ পেবমেন্টগী থবক হৌজিক চথুরি। লোয়ননা লুপা কোতি ১৪৯ চংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱার্কিং ৱিমেন্স হোষ্টেল তরা শাবগী থবকসু হৌজিক চথুরি।

**পুলিস(এল)ঃ** থা অসিগী তরুক্তা উখ্রুল জিলাদা এম্বুস তৌরকপদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনি লৈখিদবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মনিপুর পুলিসনা সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী পি.এম. কসোম, লীতান অমসুং সিকিবুংদা ঙসি থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা এম্বুস অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম ফাবা ঙমখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিস অমসুং ১৯ শুবা ঘরৱাল রাইফলসনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী কে.খেনজাং ভিলেজতা ওপরেসন চথখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না ওপরেসন অদুদা মফম অদুদা লৈবা উমংদগী খূৎশু খুৎলাই অমদি পোখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে হায়রি।

**এক্সপো (এল)ঃ** মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোওপরেসননা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অবার্ন হটতা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো (হট কর ঘ মেলা) মপুং ফানা চথুরি।

কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী ওফিস ওফ দ দিবলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দলুম) গী শেন্থং মখাদা পাঙথোক্লিবা মেলা অসি লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা চথগনি। থা অসিগী মরিদগী হৌখিবা মেলা অসিদা মনিপুরগী খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোকশিং উৎপা স্তোল ৬০ রোম হাংলি।

**ৱার্কশোপ(এল)ঃ**নুমিৎ নিনি চথুগদবা ত্রেদিসনেল মণিপুরী এজ-ওল্ড হোম রিমেদিজকী ত্রেনিং কম ৱার্কশোপ ঙসি মোংশাংগৈদা লৈবা টি.এস. পোল মণিপুর ৱিমেন্স কোলেজতা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা, রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসনগী দাইরেক্তর কে.দেবদত্তা শর্মনা হায়-লমদম অসিদা ফংলিবা হিদাক লাংথক ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিং অসি বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা শিজিন্নরবদি রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা চাওনা কান্নগনি। হিদাক-লাংথক ওইনা শিজিন্নরিবা পাম্বীশিং নিংথিনা য়োকখৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাকা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**কেম্প (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-ককচিং অমদি রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট প্রোটেক্সন য়ুনিয়ন-ককচিং অমদি

দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্টিব দেনটিষ্ট্রি, দেন্টেল কলেজ, রিমস ইম্ফালগা পুন্না শিনদুনা ককচিং জিলাগী অরোং খুনৌদা লৈবা ঐচ.এফ.এফ.ও. থম্বাল চিলদ্রেন হোম ফোর গালর্সতা ঙসি মেগা হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

**উ-চারা (এল)ঃ** ওল তিম্বর মারচেন্ট এসোসিয়েসননা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগা খুৎশমদুনা নুমিৎ মরিনি চত্থগদবা উ চারা থাবগী থৌরম ঙসিদগী য়াইরিপোক কক ময়াই হৈবী মখোং গ্রাউন্দ, য়াইরিপোক মালোম জলিহনবী গ্রাউন্দ, য়াইরিপোক মালোম জলিহনবীগী লম্বী মপানশিং য়াওনা মফম মঙাদা পুন্না উ চারা ৫০০ রোম থাদুনা হৌদোকখ্রে।

**দ্রাইব (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি মত্রু ভন্দানা য়োজনা (পি.এম.এম.ভি.ৱাই) গী অখন্নবা দ্রাইব অমা খোঙজোম বজারগী কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মরুওইবা পান্দমদি-মীরোলবী নুপীশিংদা স্কিম অসিগী মখাদা ফংলিবা কান্নবশিং য়ৌহনবা, মিং চনবা, এৱারনেস পীবনি।

**কোর্ট(এল)ঃ** কুমজা ২০২২ দা পাঙথোকখিবা মনিপুর বিধান সভা মীখলদা লংথাবাল কেন্দ্রদগী মায় পাক্তুনা হৌজিক এম.এল.এ. ওইরিবা করাম শ্যামগী মথক্তা ওক্রম জয়না হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা থারকখিবা পিটিসন অমা ঙসি কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-এম. সুন্দরগী বেঞ্চ অমনা তাখিবা রাই অদুনা ৱাকৎ অদু দিসপোজ অমসুং ক্লোজ তৌরে হায়নসু ফোংদোকখ্রে।

**সনামহি (এল)ঃ** ইম্ফালগী হয়িং খোঙবাল উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডতা তোঙান তোঙানবা সনামহিগা মরী লৈনবা

লোইশঙশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-সনধাম গনধরাজনা হায়-সনামহি লাইনিং অসি য়েলহৌ ফুরুপশিংগী ওইবা য়ামা মরুওইবা লাইনিং লীচৎ অমনি। লাইনিং অসি য়োকখৎননবা বোর্ড অসিনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি।

**চন্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হেমন্তকুমারগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মীফম অদুদা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা শিন্ননবা ৱারেপ লৌখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হন্দক মধ্য প্রদেসকী গ্বালিয়ারদা পাঙথোকখিবা ফিফা রেফ্রি ফিটনেস টেষ্টতা মায় পাক্লবা টি.ঐচ. জয় সিংহ মোনশাংবু হরাউ তয়ামা ওকখি।

**এক্সপো ঃ** নুমিৎ মরিনি চথুগদবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা টেক্সতাইলগী থৌরম ভারত টেক্সকী অহুমশুবা এদিসন ঙসিদগী ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রি-গীরিরাজ সিংহনা হৌদোকখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ভারত টেক্স অসি হৌজিক্তি অন টরজাতিগী থৌরম অমা ওইরকপগা লোয়ননা চহি খুদিংগী ইগজিবিটর, বয়ার, সেল্লর অমসুং থৌরম অসিবু য়েংবা লাকপা মীগী মশিং হেনগৎলক্লি। মহাকা হায়-কুমশি চহি অসিদা মপান লৈবাক ১৩০ গী বাইয়র অমসুং ইগজিবিটর লিশিং ৬০ হেন্না শরুক য়ারি।

মন্ত্রিনা হায়-ভারত টেক্স অসিদা এম.এস.এম.ই. অমসুং ওন টরপ্রেন্যুয়রশিং শরুক য়ারি। মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা লৈবাক খরগা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট তৌনরিবা অসিনা টেক্সতাইলগী লমদা চাউনা কান্নবা পীরে।

লৈবাক ১৪ গী ইগজিবিটরশিংনা শরুক য়ারিবা থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী টেক্সতাইলগী রাজ্য মন্ত্রি-পাবিত্রা মারগেরিতাসু শরুক য়াখি।

ভারত টেক্স ২০২৬ অসিদা মণিপুরসু শরুক য়াদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা টেক্সতাইলগী পোত্থোকশিং উৎলি। ভারত টেক্স অসিদা মণিপুরগী কৌনাগী পোত্থোকশিং, হোম ফরনিসিং প্রদক্ট, নিচ প্রদক্টতা অহেনবা মীৎয়েং থমলি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী নেসনেল ৱার মেমোরিএলদগী নুমিৎ ১৩ নি চৎকদবা মোটোর সাইকল এক্সপিদিসন-সাউরিয়া বিজয় যাত্র লমথাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-মোটোর সাইকলগী এক্সপিদিসন অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম, মরুওইনা নহাশিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা পোকহনগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী নীংখা তম্বা অমসুং ইকায় খুমবা ঙাকবা হোৎনবদা ঙমখৈ লমদম ঙাক শেনবতান নত্তনা মীয়ামগী ৱাখল্লোনদসু মরৈবাক নুংশিবা তঙাইফদে।

কার্গিল বিজয় দিবস ২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লিবা থৌরমগী মনুং চন্না শিনবা মোটোর সাইকল এক্সপিদিসন অসি থা অসিগী ২৬ তা লদাগকী দ্রাসতা লৈবা কার্গিল মেমোরিএলদা লোয়শিনগনি।

**আইটিঃ** কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি-আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সকী মতেংনা লৈবাক অসিদা নহাশিংগী হৈ-শিংবা শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা ব্রিক্স ত্রেদ য়ুনিয়ন ফোরম সমিটতা শরুক য়ারদুনা শ্রী মন্দাভিয়ানা হায়-মীয়ামনা খ্বাইদগী নৌবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা মশাগী হৈ-শিংবা হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং রোবোটিক্স টেকোলোজিনা লৈবাক অসিদা য়ামা চাউনা অহোংবা পুরক্লি। লৈবাক অসিদা চাউখৎপা পুরকপদা শিন্নীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়রদুনা উদ্যোগশিং অমসুং ত্রেদ য়ুনিয়নশিং অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা থবক তৌমীন্ননবা মহাকা আপিল তৌখি।

**করতক্কাঃ** লৈবাক অসিগী ইহান হানবা ওইনা করনাতক্কাদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স য়ুনিয়ভরসিতি লিংখৎলগনি হায়না করনাতক্কাগী মুখ্য মন্ত্রি-বি.কে. শিবকুমারনা লাউথোকখ্রে।

মহাকা হায়-স্তার্টঅপশিং, কম্পানি অমসুং অতৈ মীওইশিংনা এ.আইগী লমদা রিছার্স অমসুং মরী লৈনবা থবক পায়খৎনবগীদমক এ.আই. হব অমসু সরকারনা শেমগৎলগনি। ৱাফম অসি মন্ত্রিনা বেঙ্গলুরুদা গুগল কন্নেক্ট ইন্দিয়া ২০২৬ হৌদোকপগী থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-নৌনা হৌদোক্কদৌরিবা এ.আই. য়ুনিভরসিতি অসিনা মালেম থাক্কী এ.আই. টেলেন্ট এদভান্স রিছার্স অমসুং একাডমীয়া, উদ্যোগ অমসুং সরকারগী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি।

**নাগালেন্দ** নাগালেন্দগী চুমুকেদিমা জিলাদা ঙরাং আই.ই.দি. বোম পোকখায়হন্দুনা অসাম রাইফলসকী জৱান অমা হাৎখিবা অমসুং জৱান মরিনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক মতুংদা মফম অদুদা সেক্যুরিতি ওপরেসন কনখৎলে।

পি.আর.ও. দিফেন্স নাগালেন্দনা হায়-অসাম রাইফলসগী অহেনবা কলমশিং অমসুং নাগালেন্দ পুলিসকী মশিং য়াম্লবা পার্সোনেলশিং থাজিনদুনা হৌজিক অকনবা মওংদা থিবা হুম্বগী থবক চংথরি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা পার্সোনেলগী ফিভম হৌজিক নুংশা থিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা হলবিলদার-মহামদ ইগবালগী

মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

**ইন্দিয়া-য়ুকেঃ** ভারত অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদম অনিগী মরক্তা সহি তৌনখিবা কমপ্রিহেন্সিব ইকোনোমিক এন্দ ত্রেদ এগ্রীমেন্ট হয়েংদগী চৎনবা হৌরগনি।

শিংথানিংঙাই ওইরবা য়ান্ন-চেরোল অসিগী মখাদা য়ু.কেগী কৈথেলদা ভারতকী পোৎথোকশিং চাদা ৯৯ টেক্স লৌররোই। মসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবতা নত্তনা লৈবাক অনিগী মীয়ামদা হেন্না কান্নবা পীরগনি।

আই.টি. অমসুং আই.টি. ইনিএবল সাভির্সেসতা লৈরিবা ভারতকী সার্ভিস প্রোভাইদরশিং, ফাইনান্সিয়েল সার্ভিস, হকশেল, শিক্ষা, ইঞ্জিনিয়ারিং, টেল্লি কম্মুনিকেসন্স অমসুং কন্সলটেন্সি সাভির্সেসতা লৈরিবা মীওইশিংদা হেন্না কান্নবা পীরগনি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা ফ্রান্সকা স্পেনগা দলাস ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা আরজেন্তিনাগা ইংলেন্দগা থা অসিগী ১৬ তা এটলান্টা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

অহুমসুবা মফমগীনা জ্লাই ১৯ দা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি।

**দুরান্দ ঃ** ১৩৫ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপ ২০২৬ কী ত্রোফি সো কেস, রোড সো অমসুং পাউগী মীফম হয়েং পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তর পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, ইষ্টর্ন কম্মান্দগী চীফ ওফ ষ্টাফ-লেফটনেন্ট জেনেরেল গম্ভির সিংহ অমসুং ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জি.ও.সি-মেজর জেনেরেল

সুভাংকর বাসু শরুক য়াগনি।

ট্রোফি অসিগী রোড সো সেন্দ্রাদগী অয়ুক্তা লমথারক্কনি। রোডে সা অসি সেন্দ্রাদগী হৌরগা রাজ্য অসিগী মরুওইবা লম্বীশিং ফাওরবা মতুং ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা থুংগনি।

**ক্রিকেটঃ** থাউ থাংমৈবন্দনা অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-টোইন্তি ট্রোফি ২০২৫-২৬ লৌরে।

ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা থাউনা অক্সদো খাঙবোকপু ৱিকেট মঙাদা থোইখি। প্লেয়ার ওফ দা টুর্নামেন্ট-থাউগী থোকচোম পুরনিনা তারে।

**ফুটবোলঃ** এন.জি.এল. নোংপোক লৌরেম্বমনা শিনদুনা চথরিবা তরেৎশুবা লম্বাময়ুম নোংথোন ফুটবোল ফেষ্টিবেলগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-বি.ৱাই.এফ.ৱাই. য়াইরিপোক বিষ্ণু নহানা প্রিতি এফ.সি-শগোলবন্দবু পাঞ্জল ৩-১ দা অদুগা সনামহি এফ.সি. ৱাংগোইনা ৱাংজিং য়ুনাহটৈদপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।